# মহাবির ফার্মাসি পি টি এফ সী-১৯না থিংজিল্লুরে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :
পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ (পি টি এফ সী-১৯) গী ভলন্টিয়রশিংনা লেপ্পনা চথরকপা কোভিদ-১৯গী এৱেয়রনেস পব্লিসিটি কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ইম্ফাল মনুংগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা এৱেয়রনেস পীবগী থবক পাক শন্না চথখ্রে হায়না পি টি এফ সী-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দা ইনচার্জ মোইরাংথেম অওঙম্বা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়খি, স্বাস্থ্যগী লাইবক থীবদি ইম্ফাল মনুংগী দুকান খরা অমদি ফার্মাসি খরা এস ও পি ঙাক্লবা মমাংথক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রবসু ওঙদবা অমদি লৈঙাক্না শেপ্পা এস ও পি থৌশাদবগী মতৌ উৎলকপদগী তঙাইফদনা ইম্ফাল মনুংদা নোংমৈ মী লিশিং/লিশিং হীদাক লৈবা চঙলিবা মহাবির ফার্মাসি পি টি এফ সী-১৯গী টিম অমনা থিংজিনখ্রে। তোঙান-তোঙানবা দোক্তরশিংগী প্রিস্কিপসন অইবা য়াওরগা অমদি য়াওদনা লাকপা মীওই ফার্মাসি মনুংদা কুক-কুক ইন্ননা হীদাক লৈবগী থৌওং তৌদনবা হঞ্জিন-হঞ্জিন মমাংদা ৱাফম কয়া থমখি। ফার্মাসিগী হেক চঙফম গেটতগী হেন্না চঙহন্দনা অমদি ফিজিকেল দিস্টেন্সিং ঙাক্লা হীদাক লৈনবা ৱাফম কয়া মহাবির ফার্মাসিগী মীওইশিংদা হায়খিবা অমদি এস ও পি ঙাক্লবা ৱাফমশিং অসি ইনখিদে। অদুবু হায়রিবা

পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না খনবদবদি হীদাক লৈবা চঙলকপদা মী কুক-কুক ইন্ননা হীদাক লৈবা হায়বসি লাক্লিবা কষ্টমর খুদিংমক কননা কানানো হায়বসি কনামতনা খঙবনবসু নত্তে। মাস্ক উপ্পুনা অমদি মাস্ক নিয়ম চুপ্পা উপ্পনা খদাংদা চিংথরগা মাস্ক উপ্পা ময়াম অমা হিয়াং কুম্মৈ তান্নবদৌনা কুক-কুক ইন্নদুনা লৈবা হায়বসি য়াম্না অরানবা থৌওংনি। অসিগুম্বা এস ও পি থুগায়বশিংসি পি টি এফ সী-১৯গী টিম্মি থক য়েংদুনা লৈথোক্লেই। মরম অদুনা তমথিরবা লায়না-লাইচৎ অসি হায়রিবা ফার্মাসি অমসুং ইম্ফাল অসিদগী শন্দোক্লকুবা মচাক ওইরকপি খল্লগা ফার্মাসি ঙাইহাক্কী ওইনা থোঙ থিংজিনহনখি।

থোঙ থিংজিনখিবা অদুবু মণিপুর পুলিসকী টিম অমনা অপনবা পীখিবগা লোয়ননা এস ও পি ডাইওলেট তৌরিবা মীওইশিংদা করিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখৎতনা থোঙ অমুক হাংহনখিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি অমদি ঙসিগী ইম্ফাল মনুংদা চথখিবা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা পি টি এফ সী-১৯গী ভলন্টিয়র রোমেস অমসুং ইবোয়াইমা অনীবু সিটি পুলিসনা ফাজিল্লুবগী থৌওং অদুসু য়ানিংদে হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্না শেমখিবা এস ও পি থুগায়বশিং ফার্মাসি অমদি তোঙান-তোঙানবা দুকান ফম্বা, বিজিনেস তৌরিবশিং অমদি ইম্ফাল মনুংদা মাস্ক নিয়ম চুন্না উপ্তবশিং ফাগৎপা হায়বসি লো ইনফোর্সিং এজেন্সিশিংগী মথৌনি। এস ও পি থুগায়বশিংনা ফাদ্রগা অমদি এক্সন লৌখৎত্রগা এস ও পি ঙাক্লা চৎপিয়ু হায়না এৱেয়রনেস পীরিবা ভলন্টিয়র ওইনা পুলিসনা দিটেন তৌবা হায়বসি খ্বাইদগী অরানবা থৌওংনি।

মহাবির ফার্মাসিগী মপু অমদি ফার্মাসি অসিদা য়াওরিবা পোৎ য়োল্লিবশিং পুং ২৪গী মনুংদা ফাগত্তুনা লোগী মতুংইন্না তৌফম থোকপশিং পায়খৎনবা থবক লৌখৎক্কদবনি। করিগুম্বা এস ও পি থুগায়বশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎত্রবদি পিপলস টাস্ক ফোর্সনা অকনবা থবক থংনবা মীৎকুপ্তগী চঙশিন্নবা চপ চানা শেম-শারে হায়রি। লোয়ননা পি টি এফ সী-১৯না খুল, লৈকাই অমদি মীয়াম তিনবা মফমদা এৱেয়রনেস পীবগী থবক অসি মখা তানা চথখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ‘মীয়ামগী ইহৌ হৌরক্লিঙৈদা অনৌবা এলোটমেন্ট প্রোসেস তৌবিয়ু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :
থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মরুওইবা থৌ পুবশিংগা ঈ ওগা লৌতুন্নরগা মীয়াম খঙহল্লমদনা পোৎফম কয়া এলোটমেন্ট তৌরম্বগী থৌওং অসি থৌবাল কৈথেলদা পোৎফম অমত্তং ফংজরবদি কয়াদা লাইবক ফখ্রগনি খন্দুনা হিংনবগী লন্বীদা খুদোংচাবা ঙাইজরিবা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দগী মীওইশিং অমদি থৌবাল মীয়ামগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়না সোসল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস দি ও)গী প্রসিদেন্ট এস মোনেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর (ঈ ও)না থৌবাল বাজারগী হাংদুনা লৈরিবা ভেন্দর প্লোট ৮১গী ওপন লোটরি তৌনবগীদমক লোকেল ন্যুজ পেপরদা চহী অসিগী ওগষ্ট ২৬ তগী ফোর্ম থাবা হৌরগা পীশিনবগী অরোয়বা নুমিৎনা সেপ্তেম্বর ১ দা ওইরগা ওপন লোটরিনা সেপ্তেম্বর ৩ দা তৌগনি হায়দুনা ওগষ্ট ২৪ দা থোকখিবা পব্লিক নোটিফিকেসন অদু ওগষ্ট ২৭ তা কেন্সেল তৌরে হায়দুনা পব্লিক নোটিফিকেসন অমুক হন্না থোক্তুনা কেন্সেল তৌখ্রবা মতুংদা মখা তানা ওপন লোটরি তৌনবগীদমক পব্লিক নোটিফিকেসন অমত্তা ঙসিফাওবা থোকপা তৌদনা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মরু ওইবা থৌ পুরিবা মীওইশিংগা এগজিক্যুটিভ ওফিসরগা লৌতুনরগা থৌবাল বাজারগী হাংদুনা লৈরিবা ভেন্দর প্লোট ৮১ অসি খক নত্তনা এগ্রীকলচর ওফিস থৌবালগী মনাক্তা শাগৎলিবা মপুং ফানা শাবা লোইদ্রিবা সোপ্পিং কমপ্লেক্স অসিগী ভেন্দর প্লোট ১২০ অমসুং সোপ ৮৮ য়াওনা মীয়াম খঙহন্দনা তুমিন্না এলোটমেন্ট তৌরম্বা অসি মীয়াম্না অপেনবা থৌওং হায়বদু ওইদে।

হীরম অসিগী মতাংদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি এগজিক্যুটিভ ওফিসরনা পব্লিক ক্লারিফিকেসন অমত্তা ফোঙদোকপা তৌদনা তুমিন্না লোৎশিন্নবা হোৎনরিবা খোঙথাং অসিসু অমুক্কা হেন্না থৌবাল মীয়ামগী লাইবক থীবনি অমদি অফবা খোঙথাং নত্তে। থৌবাল কৈথেল অমদি নৌনা শাগৎলিবা সোপ্পিং কমপ্লেক্স অসি থৌবাল মীয়ামগী লননি। মরম অদুনা অরোনবা এলোটমেন্ট অদু হন্দোক্তুনা অথুবা মতমদা পব্লিক নোটিফিকেসন থোক্তুনা ফোর্ম থারগা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা থৌবাল মীয়ামগী শরুক খুদিংমক য়াওহন্দুনা ওপন লোটরি তৌগদবনি। লোয়ননা অসিগুম্বা অরোনবা এলোটমেন্ট অসি অথুবা মতমদা হন্দোকপিনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী হায়র ওথোরিটিশিং অমদি কন্সর্ন মহুৎ মিনিষ্টরনা পুক্লিং চিংশিনবিদুনা মীয়ামগী ইহৌ লাক্লিঙৈদা লৈবাক মীয়াম খঙনা অনৌবা এলোটমেন্ট প্রোসেস তৌহনবদা মীৎয়েং চঙবিয়ু। মখা তানা মীয়াম খঙহন্দনা তৌখিবা অরোনবা এলোটমেন্ট অসি ককথৎতুনা পব্লিক নোটিফিকেসন থোক্তুনা মীয়াম খঙনা ওপন লোটরি তৌদুনা এলোটমেন্ট থোক্লিফাওবা থৌবাল অপুনবা লূপ (টি এ এল)না চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা সোসল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস দি ও), থৌবাল মেলা গ্রাউন্দনা মীয়ামগা লোয়ননা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# শরৌথেলগী খুঞ্জাশিংদা ৱেটিং সেদ খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :
খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা শরৌথেল খুঙ্গংদা খুন্দ্রাকপম জিল্লা পরিষদ টি ঐচ অঙৌবীনা মহাক্লা ফংলকখিবা ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লা পরিষদকী রিৱার্দ ফন্দগা লোয়ননা শাবা ৱেটিং সেদ লোইরদুনা শরৌথেলগী খুঞ্জাশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

চন্না পাঙথোকপা ৱেটিং সেদ খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা জিল্লা পরিষদ টি ঐচ অঙৌবীনা ফোঙদোকখিবদা, শরৌথেল খুঞ্জাশিংনা মতম কয়াগী মমাংদগী চৎথোক-চৎশিনদা বস ঙাইনবগীদমক পোথাফম লৈতবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখিবা অদু ৱেটিং সেদ অসি লৈরবনিনা কোক্লগনি। মীয়াম্না ৱেটিং সেট অসি লুনা-নান্না থম্নবসু হোৎনবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোসল ৱর্কর টি ঐচ মুহিন্দ্রোনা হায়খি, ৱেটিং সেদ লৈরমদবগী শরৌথেলগী খুঞ্জাশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরম্বা অদু উরদুনা খুন্দ্রাকপম জিল্লা পরিষদনা ৱেটিং সেদ অমা শারকখিব অসি খুল অদুগী লাইবক ফবনি। অদুবু ৱেটিং সেদ অসিবু ঙাক শেনবগী থবক্তি খুল অসিগী মীওইশিংনা তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা শরৌথেল খুলগী মরুওইবা মীওই কয়াগা লোয়ননা শরৌথেল মৈরা পায়বীগী নুপী কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

# মৈতৈ পাঙ্গলগী মতিক চাবা মীহুৎ পীবিয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :
ভারতিয়া জনতা পার্টি মণিপুর প্রদেশকী ফম্নাইবশিংগী মফমদা হায়জরি মদুদি ৩০-লিলোং এ সী অসি মাইনোরেটি মৈতৈ পাঙ্গলনা মেজোরিটি ওইবা কন্সটিট্যুয়ন্সি ওইবনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা মাইনোরিটি মৈতৈ পাঙ্গলগী মতিক চাবা মীহুৎ অমা য়াওবা ঙম্নবা খুদোংচাবা পীবিয়ু হায়না রুরেল য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (আর ৱাই দি ও) চংঙমদবী য়াইরিপোক্কী প্রসিদেন্ট এম দি মুহিবুলাহ শাহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, চহী অসিগী নবেম্বর ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা কন্সটিট্যুয়ন্সি অসিগী বাই ইলেক্সন অসিদা বি জে পি মীরেপ্পা মায় পাক্ত বা পার্টি অসিগী টিকেট মতম চানা লাউথোকপিয়ু। ৩০-লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সি খক্তদা নত্তনা মণিপুরগী মাইনোরিটি মৈতৈ পাঙ্গল মরক্তগী শক্লাইরবা অমদি হীরম খুদিংদা মতিক চারবা কুমজা ২০১৭গী জেনরেল ইলেক্সনদা কন্সটিট্যুয়ন্সি অসিদা পার্টি অসিগী কেন্দিদেট ওইনা পুথোকখিবা মোহমদ অনৱর হুশেনবু বাই ইলেক্সন অসিদসু ভারতিয়া জনতা পার্টিগী টিকেটতা ইলেক্সন থেংনহনবীয়ু। লৈরিবা লৈঙাক অসিদা মোহমদ অনৱরবু মাইনোরিটি মৈতৈ পাঙ্গলগী মীহুৎ অমা ওইনা য়াওন্নবসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশগী ফম্নাইবশিংগী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

## ভেক্সিনেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ফকনুংদা ফকনুং সোসল য়ুঠ ক্লব (পি এস ৱাই সী) অমদি জোইন দিরেক্টর ভেটিনরি ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নরগা ফকনুং পুরৈরোম্বা কম্যুনিটি হোলদা ভেক্সিনেসনগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না পি এস ৱাই সীগী সেক্রেটরি জেনরেল জয়ন্তাকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসনগী থৌরম অদুদা জোইন দিরেক্টর দিষ্ট্রিক্ট ভেটিনরিগী ওফিসল ষ্টাফ ৩ য়াওনা মফম অদুদা লৈবা যনশিংদা হীদাক কাপথোকখি। মণিপুরদা যনশিংবু মশা-মউফন্দা লৈননবা অমদি চাদা-নৌদা শংদাকপদা মতেং ওইনবগী পান্দমদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা যন ৫০ রোমদা হীদাক কাপথোকখি হায়রি।

## কমরেদ ইবেতোননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :
ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ষ্টেট ভাইস প্রসিদেন্ট থিয়াম ওংবী ইবেতোন (৬২)না ওক্টোবর ৬ তা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা ঙসি ইরাবত ভৱনদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমদা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরিয়েটকী মীওইশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এম এস সী/সী পি আই) গী এসিস্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবী ইবেতোন নুপী মরুপকী লুচিংবী অমা ওইরম্বতা নত্তনা সী পি আইগী এক্তিভিষ্ট অমসু ওইরমখি। ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা মহাক্লা হিংলিঙৈদা কম্যুনিষ্ট লুচিংবী অমা ওইনা নুপীশিংগীদমক অমদি মান্নবা খুন্নাইগীদমক হনবা লৈতনা লৌরম্বা থৌদাংবুসু মীয়াম্না থৌরম অদুদা নৌহৌননা নীংশিখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# লমলক্কী শা-উচেকশিংদা তাথি-তাওইনা তৌবিরোইসি : ভেলেন্টিনা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :
মালেমগী লৈবাক কয়াদা ওক্টোবর ২ দগী ৮ ফাওবা অসি ৱর্ল্ড ৱাইল্ড লাইফ ৱিক হায়না পাঙথোক্লবগুম মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোক্লরি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী পান্দমদি লমলক্কী শা-উচেকশিংবু ঙাক-শেন্দুনা মখোয়গী পুন্সিবু কন্নবা পাঙথোকপনি হায়না চীফ মিনিষ্টরস গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ভেলেন্টিনা এলাংবম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মালেম অসিদা উচেক অমদি পান্থীশিং য়াওদনা মীওইবা মতোমতা হিংদুনা লৈবা হায়বসি ওইথোক্তবনা মীপুম খুদিংমক্লা মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থম্নবা লমলক্কী শা-উচেকশিং অমদি পান্থীশিংবুসু নুংশিনা ঐখোয়গী থৱায়নি খন্দুনা ঙাকপি-শেনবীনবা হোৎনমিন্নসি। মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবিরম্লিবা মমল য়াম্লবা শা-উচেকশিং অসিবু ঐখোয়না তাথি-তাওইনা তৌবিবা, হাৎপিবা অমদি মখোয়গী লৈফমদা অকায়বা পীবনচিংবা তৌগুমসি। লমলক্কী শা-উচেকশিংগী তাংজফম ওইরিবা উপাল-ৱাপাল মরাং কায়না অমদি মফম চানা থাবিদুনা শা-উচেকশিংবু ঐখোয়গী ইরক্তা হিংহন্দুনা নুংঙাইরবা ঈং-তপ্পা, মহৌশাগী খল কায়দবা অমদি নুংশি চান্নবা মালেম অমা ওইহনবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্লা ইশা-ইশাগী তৌফম থোকপা থৌদাংনি খনবিয়ু। শা-উচেকশিংবু ঙাক্লবা হোৎনবদা ষ্টেট ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি তোঙান-তোঙানবা এন জি ওশিংনা তৌরিবা থবকশিংদা লৈবাক মীয়াম্নসু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :
লিলোং ব্লোক কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা করিমুদ্দিননা লৈখিদবদা লিলোং লোকেল কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)না মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না এল এল সী/সী পি আইগী সেক্রেটরি শাহবুদ্দিননা ফোঙদোরক্লি।



# মাওথ অলসরগী মরমদা খঙজিনবা য়াবশিং

চীন মনুংদা, খজাই মপাগী মনুং থংবা শরুক অমদি লৈ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা চাথৎপগী থৌওংবু মাওথ অলসর হায়না খঙনৈ। এপথস অলসর হায়নসু খঙনবা মাওথ অলসরগী খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নবা তারবদি চাবা থকপা অমসুং য়া থিনবদা চৈনাখোল ফাওই। মরক-মরক্তা মাওথ অলসর তৌরকপদি করিসু অকায়বা লৈতে। অদুবু করিগুম্বা চয়োল অহুমদগী হেল্লবফাওবা ফৎত্রবা, নৎত্রগনা হঞ্জিন-হঞ্জিন হৌরকপা তারবদি য়াম্না থুনা দোক্তরদা য়েংথোকপা মথৌ তাই।




মাইনর, মেজর অমসুং হর্পিটিফোর্ম অলসর হায়দুনা মাওথ অলসরগী মরু ওইবা মখল অহুম থোক্লা খায়দোকই। য়াম্না পীক্লা মফম অমখক্তা চাথৎলগা নুমিৎ ১০ দগীনা ১৪ নি ফাওবগী মনুংদা মথন্তা ফজখিবা মখল অদু মাইনর অলসরনি। খরা পাক্লা অমসুং লুনা চাথৎপগা লোয়ননা ফহনবদা মতম চঙবা মখল অদুনা মেজর অলসর কৌই। অমরোমদা য়েত্তুম মতোলমুক পীক্লা মফম কয়াদা চাথৎপগী থৌওং অদুবুনা হর্পিটিফোর্ম অলসর কৌই।

মাওথ অলসর ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রবসু ষ্ট্রেস নৎত্রগনা টিস্যুদা অমাঙ-অতা থোকপনা ওইহল্লকপনি হায়না থাজনরি। চমপ্রা, কোমলা, কিহোম, হৈতুপ, খামেন অশিনবা অমদি ষ্ট্রোবেরিনচিংবা চারুবদগী মাওথ অলসর তৌরকপা য়াওই। করিগুম্বদনা শোয়বদগী য়ানা চীনবানদা চীকথৎলুবদগী হৌরকপসু য়াওই। খরা হেন্না ফীভম লুবা কমপ্লেক্স মাওথ অলসর তৌরকপগী মরু ওইবা মরমশিংদি ইম্যুন সিষ্টমগী মপাঙ্গল শোন্থরকপা, মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা, ভিটামিন বি, জিঙ্ক, ফোলিক এসিদ নৎত্রগা আইরন ৱাৎপা অমসুং গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল ট্রেক্টকী অনাবা লৈবা অসিনচিংবনি।

কনাগুম্বনা মতম শাংনা মৈখু শীজিন্নরম্লগা খংলেপ-লেপ্পা মতমদা মাওথ অলসর তৌরকপা য়াই। অদুবু মসিদি মতম খরখক্কীনি। মশা মথন্তা অদুমক ফজখিগনি। চৈনাখোল ফাথনবা হীদাক লাংথক, বেটা ব্লোকর অমদি থবাক নাবগী হীদাক মখল খরা চারুবদগীসু রিএক্সন থোরক্তুনা মাওথ অলসর তৌরকপা য়াই।

কনাগুম্বা অমগী চীনবান মনুং, লৈ, ঙৌ অমদি খজাইগী মনুং থংবা শরুক্তা চাথৎপদগী থূপ্পা-নাবা ফাওরক্লবদি মাওথ অলসর তৌরে হায়না লৌবা য়ারে। চাথৎলিবা মফম অদু ঙৌরোক ঙৌগনি, নৎত্রগনা উৎ মচু ওইগনি। মপান অকোয়বদনা ঙাঙশং ঙাঙগনি। খরা হেন্না ফীভম থীনা চাথৎপা তারবদি লাইহৌ হৌবা, হকচাং থিন্দোকপা অমসুং লিম্ফ নোদশিং পোমখৎলকপা থেংনবা য়াই।

অয়াম্বা মতমদা মাওথ অলসরগী চৈনাখোল নুমিৎ খরনিগী মনুংদা তপ্পা-তপ্পা ফরকই। চাথৎপা মফমসু চয়োল অমা অনীগী মনুংদা ওইশিল্লকই। খরা হেন্না ফীভম শোকচিল্লকপা তারবদি দোক্তরনা চীন তেংথোক্লবা এন্টিমাইক্রোবাইয়ল মাওথ রিন্স অমা, কোর্টিকোষ্টেরোইদ ওইন্টমেন্ট অমা অমসুং প্রেস্ক্রিপশন নৎত্রগনা নন-প্রেস্ক্রিপশন সোল্যুশন অমা থারকপা য়াই।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মাওথ অলসর পুংফ-ফহন্নবা পাম্বৈ লৈতবা তারবসু চীন-য়া লূ-নান্না থম্লবদি খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙম্মী। চীন-লৈ চাথৎকনবা চীঞ্জাকশিং, খুদম ওইনা মরু মরাং কা হেন্না য়াওবা এনশাংশিং চারোইদবনি। চাক চাবা তোকপা খুদিংগী নীংথিনা ব্রশ তৌদুনা চীন শেংদোক্কদবনি অমসুং য়ারক্তা চঙবা চীঞ্জাক্কী মচীৎ-মখাক শেংনা লৌথোক্কদবনি।

চেকশিনগদবা অমনা করিগুম্বা চীনবান মনুংদা চাথৎলিবা অদু মতম শাংনা ওইশিনবা ঙমদনা লাইজৌদুনা লৈরবদি মাওথ কেন্সর ওইরম্বা য়াবগী মতাংদনি। মাওথ কেন্সরনা মরম ওইরদুনা অলসর তৌরক্লবদি অয়াম্বা মতমদা লৈগী মথক অমসুং মখাদা চাথৎলকই। তৌবগীবুদি চীনগী মফম অমদা হেক্তা চাথৎলকপসু য়াওদবা নৎতে। মাওথ কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক খ্বাইদগী ৱাংবা মীওইশিংদি মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবা নুপাশিং, মৈখু শীজিন্নবা অমসুং কা হেন্না যু থকপা মীওইশিংনি। করিগুমবা ঙল্লিঙৈদা খঙহৌবা থোক্লবদি নীংথিনা লায়েংলগা মাওথ কেন্সর ফহনবা ঙম্মী। মরম অসিদগীনি নাব-নাদবা থিদনা মীপুম খুদিংমক চাং নাইনা দেন্টিষ্ট অমদা চেক তৌথোকপা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়নরিবসি।

# মেঞ্জোর মঙাংদা মাদর টেরিসা ফাউন্দেসন এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :
ফ্রেন্সিপ ফোরম ন্যু দিল্লিনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশ ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা সোসল ৱর্কর খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাংদা লেমজনিংঙাই ওইরবা মাদর টেরিসা ফাউন্দেসন এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎলকখ্রে হায়রি।

এৱার্দ অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্তা মরম ওইদুনা খাঙবোক এ সীগী মীয়ামদা পাংখিবা মতেং কয়াবু মশক খঙবা ওইনা পীরকখিবনি। পনবা য়াবদি, মেঞ্জোর মঙাংনা খাঙবোক এ সীগী য়ুমথোং লিশিং ২০ লোমদা চান-থক্লবা পোৎলম য়াওনা কন্টেনমেন্ট জোন এরিয়াশিংদা হীদাক কাপথোকপা অমদি তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা মতেং কয়াসু পাংখিবা লৈখ্রে হায়রি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা**

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা মার্চ থাদগী লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা লোকদাউন লাওথোকখিবদগী মণিপুরদা লৈরিবা স্কুল পুম্বা ছুতি থাখি। অঙাংশিং থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌদুনা ইমুং-মনুং পুরম্বা ভেন দ্রাইভরশিং থবক লেপ্পুনা ঙসি ফাওবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং মরক অসিদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। অশেংবমক্তি ভেন দ্রাইভরশিং অসি মহৈ তম্লিবা অঙাংশিংগীদি অনীশুবা মমা-মপানি হায়বা য়াই। অদুবু শাংলবা থা কয়া অসিদা ভেন দ্রাইভরশিংবু মতেং খরদং পাংবিয়ু হায়জখিবদা ওর্গনাইজেসন অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংবিনিংবগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিবা লৈতে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীশিংসু হেনগৎলক্তুনা শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লৈঙাক্না ওক্টোবর থাখায়দগী স্কুল পূম্বা হাংনবা অনৌবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনগা লোয়ননা হোৎনরিবা অসি য়াম্না ফৈ। অদুবু লুরিবদি লায়না অসিগী মরক অসিদা মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু স্কুলশিংদা লাইরিক তম্বা থারকখিগদরা? করিগুম্বা থাবিরক্লগা স্কুলশিংনা চৎন-কাংলোন কয়াম কুইনা চৎনবা ঙমগদৌরিবনো? মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরি লৈনবশিংনা য়াম্না কুপ্না খন্থবিরগা থবক তৌবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।



**পুয়াম অচৌ খুমনচা, শিখোং বাজার**

মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লায়না অসি খরমখৈদি নাথৈরকপগুম তৌরক্লে। মরমদি রিকোভরি রেট ৱাংলকপা, চাদবদি য়াদবনিনা শু-নোম্বা থোক্লকপা অসিনচিংবনি। লম্বীদা গাড়ি মরাং কায়না চেল্লে, হোটেল-দুকান থোং হাংলে। মীয়াম শ্বর খরদি হোন্দোরকপগুম তৌরে। মহৈলোয়শঙ কয়াগী স্কুল ফাওন্দর, পেরেন্টশিং অমদি প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংনা স্কুল হাংদোকন্নিংবগী অপাম্বসু চাওনা লৈরে হায়বসি তারুরগা-উরুরগা খঙলে। এস ও পি ঙাক্তুনা স্কুল হাংলকপা য়াবগী অয়াবা থাখায় অসিগী মনুংদা ফাওবা পীরক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈ। লুরিবদি ফ্রেমৱর্ক এগ্রিমেন্ট এন এস সী এননা দিল্লিদা নাগা পিছ টৌল্ককী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিবা অসিনা চাওনা মণিপুরদসু অকায়বা পীরক্কনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি। নোর্থ ইষ্ট নাগা ৱিমেন ৱিংনসু মখোয়গী তোঙানবা ফ্লেগ কন্সটিট্যুসন শেম্বা পাম্লি। মসিগী য়াকাদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরকপা ৱারোইশিন অদুদা য়েংবা তারি। লোয়ননা বাই ইলেক্সন তৌবদা ভোট খোম্বগী নামাদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি থুগায়রক্লবদি লৈঙাক্না লৌখৎখ্রিবা খোংথাংশিং অরেম্বদা তাখিনি হায়বা ৱাফম থমজনিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৮।১০।২০২০ ইং, শগোলশেল;
মেরাগী ২১নি পানবা।

**মেষ :** লেংদবা লন অমদি মীয়ামগী মতেং পাম্লদি লৌবা য়াগনি। পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা নিংহন্নদনা হোৎনরদি মীকোক থোংগনি। লল্লোন ইতিকসু কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** অয়ুক্তা অফবা অমদি নীংবা থুংগদবা খোঙশাল লৈ-পম্থদনা ওইজবা তানহৌবা ফগনি। পোরম য়াৎপা অমদি ঙাঙবদসু মায় পাক্কনি। থৌনা ফুদোকহৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফরে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**মিথুন :** থেংলপ্পা নীংবা থুংবা অমদি শেন্দোং তানবগী লম্দা মায় পাক্কনি। পাংঙমদবা থবক্কী নুংঙাইবা লৈগনি অমদি লান্দবনা মায় পাকচৌ হায়বা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** অয়ুক পুং ১০ ফাওবদা থৌ পাংহৌ-থেংথরদি ওইজবা মাঙগনি। অনৌবা মরুপ-মপাং ফংগনি অমদি থাজদনা লন চংগনি। মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**সিংহ :** তপথৌ অমদি খৎন-চৈনবা য়াবা থবক্তা য়াওরুনু অমদি হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎপনা থৌয়াম পুদবা ফগনি। নীংবদি থুংগনি, শেন্দোং তানবা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীচং খরদি ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** মীপাইরম্বা কোকচগনি, শেন্দোং তানবদা কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি অনৌবা ৱাখল্লোন লাক্কনি। চিন শোইরদি লন মাঙগনি-ৱাঙাঙ চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** খাংবা কনবা অমদি থিবা হুম্বা কনবা তঙাই ফদবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা পাঙ্গলবা নুমিৎনি অদুনা পঙথগনু অমদি চুম্বা ঙাক্তনসু মায় পাকপা ৱাবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং ফাথবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ।

**বৃশ্চিক :** অয়ুক্তা লাইবক ফবা অমদি শোয়দনা ওইজবা ফংগদবা নুমিৎনি। ইমুং-মনুং ৱা তানবনা য়াম্না লুবা থবক ফাওবা লায়না পাংগনি। মাঙলোমদা চঙশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - চরাংনদ্রবদি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**ধনু :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং ফংগনি। থৌরম য়াৎপা হৈবা অমদি ঙাঙ-শকপা হৈবনা ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** থেংলপ্পা নীংবা থুংলনি, ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা হেন্না কান্নগনি অমদি অনৌবা থবকসু পাংবা য়াগনি। য়েক্লবনদি তাথি, ৱানোম থৌনোম মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা খরা লৈরনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** অচুম্বনতা মায় পাকচৌ অমদি ওইজ-ওইথক তানবসু কান্নজৌ হায়বা নুমিৎনি। পূক্লিংদা চিংনবা অমদি খুরৌ থাংবা খরদি লৈগনি। শকখঙদবা লোয়নগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** অয়ুক পুং ১০ ফাওবদা অফবা খোঙশাল লৈ অমদি নখা থাবদগী ফাওবা ওইজবা ফংগনি। লৈঙাক্কী লম্দদি অনীরক খম্থৌ, নাইতোম ৱারেপ লৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱারৌনবা লৈগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।